# পাউখুম ফংদ' তোকসনু, হংসি ৱাহং লেপ্তুনা

– এস ইন্দ্রকুমার–



ঐহাক হৌজিক, মণিপুর লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট) সিদা ৱাহং খরা হংনীংলক্লে। অদুবু, হংলমদাইসিদা অমুক চমম্নরকই-হংদৌরিবসি কনাদনো? মীয়াম্না খনবা লৈঙাকপশিংনা শেম্বা লৈঙাক্তুদি লৈতরে। মখোয়দগী লৈঙাক-শক্তি লৌথোক্লগা লৈঙাকপা নত্তবা, লৈঙাকপশিংদা মতেং পাংনবা, লৈঙাক-থৌশিল য়েংশিন্নবা থারকপা ওফিসর অমদা লৈঙাক থৌদা শিন্নরক্লিবা থাবুম মঙা শুরক্কদৌরে। লৈঙাকপা নত্তবা, ৱাখল থৌবা অমনা শেমখিবা লৈঙাক-থৌশিলদুগী চৎনরোল মতুংইন্না, অসিগুম্বা মখলগী লৈঙাক-এরেঞ্জমেন্ট, থাবুম তরুক'তগী হেন্না তৌবা য়াদে। এরেঞ্জমেন্ট অসি মখা তানা শাংথহনবা পাল্লবা, ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট'কী মীফম্না ৱারেপ অমা লৌবা তাই। ঐহাক খঙই, লমদমসিগী মীচম-মীয়াম, ৱাখল লৈতবা ঐখোয় পূম্নমকসু খঙই-ওগষ্ট ১৩গী মমাঙদা মণিপুরদা থল্লিবা প্রসিদেন্ট'কী লৈঙাক মতম থা তরুক অমগা শাংদোক্লবা ৱারেপ অমা শোয়দনমক্কী লৌরক্কনি। নাপী হৌদবা, অকংবা লম্মাঙ অমদা পুন্দুনা থম্বা ষণগা পাঞ্জক ওইরবা, অসুম্ন'সুম মখা তানা লৈরবা, মথঙ' মীখল মায়থীরনি খঙলবা এম এল এশিং, লিংজেল মান্নবা শাদুনা লৈঙাক শেম্নবা চোইরোল লোল্লি। ঐদি মখোয়, গভর্ণমেন্ট'সিগী শরুক অমনি, ঐখোয় ময়ামগী মীহুৎনি হায়বা ৱাখল খন্দরে, মখোয় লৈরি কাউখরে। অদুনা ঐহাক চমম্লে-কনাদবু হংলগা অশেঙবা পাউখুম ফংগনি।

কনাদা হংলিবনো, পাউখুম কনানা পীগদবনো খঙদবা ৱাহংশিংসি হংদ্রিঙৈ প্রিলিমিনেরি ক্বেশন অমা হান্না হংনীংই-মণিপুরদা লৈঙাক লৈবরা? লৈরবদি লৈঙাক মপু কনানো? ঐনা ফেমিলি-হেদ ওইনা লৈরিবা ইমুংসি, মীতোপ অমনা লাক্লগা যূম্বু ওইনা চলাইরবা, ঐহাক অমদি ইমুং মনুংগী মীওইনা কয়াম কুইনা য়াগনি? ফূরুপ কুন্থ্রামঙাগী মীওইশিংনা খুন্দারিবা লমসিবু, মখোয় মীতোপ মরি'না করম' লৈঙাক'ঙমগনি? খঙলে, হৈরে, এক্সপরিঅন্স লৈরে খঞ্জবা পোলিটিসিয়ন অমসু 'নহাক্লা লৈপাক মাঙহল্লে' হায়বা মরাল অমা শীরগা, লৈঙাক ফম্বালদুদগী চিংথবীখ্রেদনা, কন্সটিট্যুশনগী 'তঙাইফদনা ঙাকফম থোকপা ৱারোল' অমা থৌওইনা শীংনরদুনা। শোয়দনা মায়থীবা নংলগদবা মীকূপ অমদগী কনবীখি। চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা জুন ২৫দা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংদুনা 'সংবিধান হাৎপা (হত্যা) নুমিৎ 'দেমোক্রেসি মর্দর দে' হায়না থৌরম পাঙথোক্লগা কন্সটিট্যুশনবু খোঙ্গাওনবা থৌদোক/থৌওং কয়াদি মশীং খঙদ' লমদমসিদা থোকহল্লি। গভর্ণমেন্টকী থবক-থৌরমশিং থৌপাংবদা মতেং পাংনবা থম্বা থৌমীশিং মীনায় ওইনা শীজিন্নে। মমীৎ তাঙবা, লোন থোক্তবা মেছিন ওইহল্লি। করি অমুক হায়গনি, ঙসিদি লমদমসিগী পোলিটিসিয়ন অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টাফ পূম্নমক নপুংশক ঙাক্তা ওইহনখ্রে।

করিসু তৌবা ঙমদ্রবা/ঙম্লরোইদবা মখোয়দা ঐনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলুবগী, খোল্লাঔ অমা লাউরুবগী, ৱাহং অমা হংলুবগী কান্নবদু করিনো? মখোয়দা ৱাহং হংনীংলুবা, মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ইশানা ইশাদা ওনশিন্দুনা হংলক্লে- খল্লোইদবা ৱাখল খন্দুনা/তৌরোইদবা থবক তৌদুনা লৈরিবা করিগীনো? চহী খরগী মমাঙ, খরা নত্তে কুইখরে, দেল্লীদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। অন্না হজারে কৌবা, গান্ধীয়ন ফিলোজোফিদা ঙাওজবা, সোশল এক্তিভিষ্ট অমনা করপসনগী মায়োক্তা ঈহৌ অমা হৌখিবা, অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল কৌবা পোলিটিসিয়ন অমা পোকখিবা, মাগী পোলিটিকল জর্নিগী খোঙদাফম ওইখিবা থৌদোক্তুনি। দেল্লী পুলিস'না চরা হেন্দুনা মহাত্মা গান্ধী'না 'সত্যগ্রহ' তৌবগুম মাগী ৱাকৎ অমখক মনা পঙশিন্নখ্রবা লৈঙাক্কী নাকোং য়ৌনবা, খোঞ্জেল থোক্তবা খোল্লাও অমা লাউজবগী খোঙজং অমা চঙশিনখিবদু থুগায়নবা হোৎনরকপদা, দেল্লী পুলিসকী নুপী-সুপর-কোপ 'কিরন বেদি'না লাউখিবদু নীংশিংলকই... 'দেল্লী পুলিসকী ইচিন ইনাওশিং! লৈপাকসিগী লো (আইন) না নখোয়দা পীবা শক্তিদু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নৌ... নখোয়গী পোলিটিকল মাষ্টরশিংনা পীবা য়াথংদু নমীৎ উইশিল্লগা ইনবা মীৎ'তাঙবা পুলিস ওইগনু'...। কিরন বেদিগী ৱাহৈদুনা মতমদুগী দেল্লী পুলিস অমসুং পোলিটিসিয়নশিংবু ৱাখল তাহনখি। পোলিটিসিয়নশিংগী মথৌনা লৈঙাক থৌশিল য়াৎপনি, মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থানবা লমজিংবনি। ওফিসরশিংগী মথৌ'না থৌরাংদু থবক ওনবনি, মীয়ামগী থৌগল তৌবনি। পুলিসকী মথৌ-মীয়াম্বু ঙাক শেনবনি। চে'দা ইবা আইন থবক ওইনা ওন্থোকপা পুলিসশিংগী থৌদাংনি। অৱাবনি! মী মরকসিদসু 'ভেরি ইম্পোর্টেন্ট পর্সন' হায়বা মখল অমা শেমগৎতুনা-ভি আই পি কলচর মিংথোনবা চৎনলোন অমা শেমগৎখি। ভি আই পি'গা মীচমগা, অনীগী মরক্তা লৈরিবা পল অদু পুলিসনি। 'মীচম ওৎপা পুলিসনি, ভি আই পিগী মনাইনি' ৱাহায় অমা শেম্লক্লিবা-লীশাং শিৎনা চথুরকপা থৌওং অমই পোৎথোক্লি। লৈপাকসিবু পুল্লিবা আইন-কানুন পূম্বগী কোক্লেন ওইবা 'সংবিধান' - খঙবা মীওই কয়ানো লৈপাকসিদা লৈরমদৌবা! সংবিধান ঙাক শেন্নবা, থৌদাং পাঙবা চৎখিবা এম এল এ/এম পি ময়ামসিগী মরক্তা, সংবিধান'দা ইরিবা ৱারোলশিংদু খঙবা মী কয়া য়াওরমগদগে? খঙবই ৱাদি তোকখ্রগা মশক ফাওবা উদ্রিবা নোংমতসু শোক্লুদ্রিবা কয়া অমা য়াওরম্মি। মরমদি লৈঙাকসিগী থবক থৌরম পাঙগদবা এমপ্লোয়ী/ওফিসর পূম্নমক্কী তঙাইফদ' চেনফম থোকপা এদ্যুকেশনেল ক্বালিফিকেশন লৈ। ক্বালিফিকেশনদু লৈত্র'সু, লৈ প্রমান তৌনবা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পায়রম্বগী কেস মশীং খঙদ' থোকখরে। অদুগা, ৱাংবদই ৱাংলবা ক্বালিফিকেশন লৈবা ময়ামদুগী মথক্তা রুল তৌদৌরিবা 'পিপলস রিপ্রজেন্টেটিভ রুল্লর' মহাক্কীদি মিনিমম ক্বালিফিকেশন-মশাগী চহী ২৫' (সংবিধানগী চৎনরোল ৮৪(বি) গী মতুংইন্না, ষ্টেট এসেমব্লিশিংগীনা ১৭৩ (বি)। 'অপ্পর এজ লিমিৎ' সংবিধান'দা পল্লমদ্র'সু বি জে পিগী ওইনদি মশাগী চহী ৭৫ হেল্লবা ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিংদা মিনিষ্টরনচিংবা মরু ওইবা ফম পায়হল্লোই লাউথোকখি। 'মোদি'গী ওইনদি ৱাফম অসি চৎনদবা য়াই ঙাঙনরি। কয়াদা নোক্লিংখ্রবনো! ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন অমদি অতৈ মরু ওইবা 'লো' গী লাইরিক খরদি ইরোলসিদা হন্দোক্লগা অরায়বা লোলদা ফোঙদোক্লম্বদি ফবনি। অদুবু, কনামত্তনা হোৎনখিদে। ভারত-সংবিধান, মীতৈলোল'দা হন্দোকখরে হায়বদি তায়, উবদি ফংদ্রি।

অসুম্না, ঐহাক ঙাকপী শেনবীগদবা কনা লৈত্রবা মীওই অমনি হায়বা ৱাখলসিনা লাঙ্গোয় চনখ্রবা, হায়নীংবা হায়বা, ঙাঙনীংবা ঙাঙবগী থৌনাদুমদি ঐগীসু মাঙখ্রে। ঐহাক জন-নেতা ইরাবতকুম্বদি নত্তে। হৌদোং তুরেল কূমদবা, ইমাগী মপারী অমনি, হায়বীগে'সু হায়বীয়ু। ঐ'না ইরাবতকুম্বা মণিপুর ইমাগী মপারী ওইবা ঙমদ্রবসু, মহাক্কুম্বা অমদি থোরকপা ফৈ, ৱাখলসিদি খল্লি ঐ।

হংজনীংবা ৱাহং, কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পি, পোলিটিকল পার্টিগী লুচিংবশিংদা নত্তে। ওইনীংবা পার্টি ওইসনু, মণিপুর লৈঙাক পায়খিবা অমদি পায়রক্কদবা পার্টিগী লুচিংবশিংগী মফমদনি। হৌজিক্কী এসেমব্লি অসি মূথুৎপদি নৎত্রিবা, সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লিবা ওইবনা, মেজরিটি কম্মান্দ তৌরিবা, লৈঙাক শেম্বদি ঙমদ্রবা বি জে পিগী লুচিংবশিংবুদি অপান্ননা কোনশিনজরে। হংজনীংবা ৱাহংশিং, মথংশিংনা :-

১) ঐখোয়গী লৈপাক, মণিপুরবু কৌগদ্রা, কংলৈপাকপু হায়সিরা-সনা লৈপাক্লিসু হায়নবা লমদমসিবু ঙাকপই থৌদাং লৌগনি চোংথোরক্লিবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরকসিদা মরমদমবু তশেংনা নুংশিবা কয়াম য়াওবগে?

২) ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবশিং-নাতোন চাউবা, কুচু মুবা, মীজাও-মীশাঙ, লোল তিন্নদবা দেল্লীগী লীদরশিংগী য়াকা য়েংদনা মরৈবাক্কীদমক ঈচং থৌনা ৱারেপ অমত্তা লৌ'ঙমদ্রিবা করিগীনো?

৩) ইন্দিয়ন ষ্টেট অমনি'দি হায়রগা, মশাগী টেরিটোরি মনুংদা চখোক-চৎশিন, ফ্রী মুভমেন্ট য়াদবা ঙমখৈ লানবা ঙমহন্দবা, ষ্টেটসিগী মনুংদা 'মণিপুর' হায়বা মিং অসি থাবা বস চৎপা য়ারোই - ইন্দিয়ন আর্মিনা থিংবদা, লুচিংবনি হায়জবা নখোয় ময়াম ৱা ঙাঙদনা লৈখিবা করিগীনো?

৪) মরমদম্বু নুংশিবা, নেশনেলিজমদা থাজজবা, নীংতম্বই ৱাহম্থোক খঙনা হিংজগে হায়বা কাঙবু'বুনা এন্টি-নেশনলনি লাউথোক্লগা দ্রগ-লল্লোনবা খূৎপুনা ষ্টেট অসি থুগায়গে ফোংনা তেমশিংদুনগা খূৎশম্ননা চৎপ'দা নখোয়না তূমিন লৈথোক্লিবা করিগী?

৫) শেঞ্জা থুমজা (করপসন) হায়বসি পোলিটিসিয়ন অমগী তৌফদ্রবা থৌদাং অমনি খল্লিবসি করিগীনো?

৬) কুম্মাথোইশুবা চহীচাগী দিকেদ অনী তঞ্জায়গী মতুংসিদা ইম্ফাল সহরগী শক্তমসি ওইফম থোকপা শক্তমদুনি খনবীবরা?

৭) ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ লমদমসিগী ফিদম ওইবা সিটিজেন কয়া শেমগৎখিবা স্কুল কয়া মূথুৎলগা কম্মর্সল কমপ্লেক্স/ৱাটর রিজার্ভর শেমগৎলকপা-অশিংবা/অফবা থৌশিলনি খনবীবরা?

৮) পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল, বি টি রোদ, এম জি এভিন্যু-খুজীন মমায়গুল্লবা ইম্ফাল-মার্কেট-এরিয়াগী পার্কিং-প্রোব্লেমগী সোল্যুশন ওইবা-ইম্ফাল-মল্টি-লেবেল-পার্কিং সিষ্টম-কৈদৌঙৈ উবা ফংগনি?

হংজরিবা ৱাহংশিং- তাবীনবা লৈতবা, খুন্বীনবা লৈতবা ৱাহং ঙাক্তনি- পাউখুম ফংলোই খন্না হংজরিবনি। অদোমগী থম্মোয়নুংদসু পূমথন থন্না লৈরম'নি। ঐখোয় তূমিন লৈগুমসি। অহাঙবদা তিনখিসনু। পাউখুম ফংদনা তোকসনু। ঈশ্বরদা হংবা ৱাহংবু কৈদৌঙৈ পাউখুম ফংখ্রগে? ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ৭

– আর কে বুধিমন্ত কর্টা –

ঐখোয়না সেন্দ্রা লম্বী চঙবদা থেংনরিবা লম্বীগী য়েৎ থংবদা লৈরিবা তাকমু পাৎ অসিগীনা মনীং, হান্নগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা লাইওইখ্রবা মাইরেম্বম কোইরেংগী মীতম খিল্লিবা অসিগীনা য়েৎলোমদা চঙলিবা লম্বী অসি সুম চঙশিল্লগা য়ু টর্ন অমা মমাঙদা থেক্কৎলগা অহানবা ওইনা থেংনরিবা অনেম্বা চীংশাং মতেক অসিনি 'হনুবী চীং' হায়বদো। হনুবী চীংগী মথংদা 'নুরাথেল' হায়না খঙনরিবা টুরিষ্ট রিজোর্টকী মফম অদো লৈ, মফম অসিগা থংননা লৈরিবা 'ওম্বা চীং' কৌবা মফম অসিদসু হৈকোল-লৈকোলগী গার্দেন অমা শেমগৎতুনা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চলাইরি। ওম্বা চীংগা-নুরাথেলগা অনী পুল্লগা ঙসিদি 'ওম্বা এন্দ নুরাথেল গার্দেন' হায়না খঙনরে। ওম্বা চীং মথক্তা নীংথিরবা গেষ্ট হাউস অমসু লৈ। নীংথিরবা লৈকোল অমসু লৈ। লোক্তাককী শরুক অমা ওইরিবা তাকমু পাৎ য়েংগে হায়রবদি মফম অসিদগী ইকোয় কোইনা উবা ফংই। মফমসিদগী থাঙ্গ খুঞ্জাওসু তাম্না উই। ওম্বা চীংগী মথক্তগী য়েংথরকপদা তাম্না হি হোন্দুনা নোংমগী শীন্থা পাঙনবা চৎনরিবশিংদু য়েংবদা কয়াদা নুংশিরিবা। মখোয়না পায়রিবা নৌ অদুনা লোক্তাককী লাইজ ঈশিংদা হোনবদা লংত্রিক লংনা হীদুগী নাকল-নাকলদা অরংবা ঈশিংদুনা মশাং-মশাং হাইদোরক্লিবা। ঙৌশ্রোক ঙৌবা উরোক্লা তুবৎ-তুবৎ পাইখিবদো কয়াদি নুংশিখ্রে উরুবদা।

লোক্তাকতা লম কোয়বা লাকপা কয়ানা ঙাইহাক পোত্থাফমসু ওইনরি। পিক্নিক ওইনা নৎত্রগা ইমুং মনুং পূন্না কোইরকপা কয়াগীসু পোত্থাফম ওইনরি। মণিপুরদা পাঙথোকখিবা নেশনল গেমস ১৯৯৯দা মণিপুর টিম্না চেম্পিয়ন ওইদুনা রাজা ভলেন্দ্রো ট্রোফি মণিপুরনা লৌখ্রবা হেক মতুংদগী মণিপুরদা ৱাটর স্পোর্টসসু খঙচাও চাওখৎলকখি। মপানগী অতোপ্পা ষ্টেট প্লেয়র অয়াম্বনা মণিপুরদা অসুম্না নীংথিরবা পাৎ অমা লৈরমগনি হায়বা মখোয়না থাজদে অহানবদা। অসুম্না মণিপুরদা ৱাটর স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ইভেন্ট অয়াম্বগী প্রেক্টিস তৌফম ওইনরে তাকমু পাৎ অসিদা। শেমগৎলক্লে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএশন, মোইরাং। অসুম্না ঈশিংদা শান্নগদবা মশান্না কয়াবু পামজবা কয়া থোরক্তুনা মখোয়গী লৈননবা বোইস এন্দ গর্লস হোষ্টেল ওম্বা চীংদা শারে অদুবু মনুং খিত্তং চঙবা ওইবনে, মণিপুরদা নহারোলগী ঈরাংগা কনবনে, ইচিক চিকপা মফম ওইবনা হোষ্টেলদুদা প্লেয়র অমত্তা লৈবীদে। অমরোমদা ৱাটর স্পোর্টসকী প্লেয়র অয়াম্বদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবনা অয়াম্বনি। থাঙ্গ, মোইরাং, কারাং, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং অমসুং মনাক নক্লা লৈবা খুনশিংগী প্লেয়রনা অয়াম্বা ওইবগীসু ওইরম্বা য়াই লৈনীংদ্রিবা। মফম অসি ফিশরি লোয়শঙগী ক্বার্টর খরা লৈরম্মী। মফমসি থাঙ্গ কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা মোইরাং খুনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা লৈ অদুবু ঙসি মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মফম অসিদি চলাইরি।

নুরাথেল চঙবদা অহানবদা থেংনরিবা হনুবী চীং করম্না থোনখিবনো থিরুবদা 'নুরাথেল' গী মরমদা থেংনজে 'মণিপুরী লোনগৈ' কৌবা লাইরিক্তা। লাইরিক অসি ডা. চিরোম রাজকেতন সিংহ, কৈথেল্লাকপম মেঘচন্দ্র মীতৈ, অয়েকপম অমরজিৎ (তা মোবী) অমসুং কমলজিৎ চিরোম্না খোমজিল্লগা কলচরেল রিসর্চ সেন্টর, মণিপুরনা ফোঙবনি। লাইরিক্তুদা অসুম্না তাক্লি - "হিয়াইনুগীদমক য়েল্লাংবনা হৈজিং খরাই পুনবা শেম শাদুনা লৈরবদা হৈরম চাম্মা শুগদবা হৈক্রু ৱাৎতুনা, মফমদুদা নুরা ময়াম্না ঙাইখিবা মফমদুবু 'নুরাথেল' কৌনখি।" অতোপ্পা স্কোলর খরনদি অসুম্না ফোঙদোরকপসু থেংনৈ- মীগা লাইগা পূন্না লৈমিন্নরিঙৈ মতমদদি, মীশিংনগা য়ামদবনে অশুকপা উমংনগা মরাং কায়রিঙৈ চীংগী থেল অদুদা কেকে লাই নুরা তরেৎনা থেন্না চীং, মোইরাংলোমদগী তম্বা পাখঙ লাকপদা নুরাশিংদুগী নীংথিরবা মায়থোঙ অমসুং নুরাশিংদুগী শাওং শাদাবু উজবদা তম্বা পাখঙ ওইবা কয়াদা মীৎফম হোংবা ঙমহন্দা, পুমঙাও ঙাওনা শুম্মৎলি, লাই নুরা তরেৎনা থেল্লগা লৈবা মফমনি হায়দুনা নুরাথেল হায়খি হায়বগী ৱারীসু লৈনরকই, চীনবুং ৱারী ওইনা। অসুম্না মখা তানা নুরাথেলগী মরমদা থিগৎলুবদা মণিপুরগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু নুরাথেল কৌবা মফম অমা লৈ। হায়রিবা মফম অসিগী পুলিস ষ্টেশনদি নুরাথেল পুলিস ষ্টেশন, তমেংলোংদা লৈ। অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শওম্বুং সব দিভিজনননা কোনবা, পোরোম্পাৎতগী কিলোমিটর ৪২ থাপ্পা মফম অমদসু নুরাথেল কৌবা লম অমা লৈ। অসিদসু নত্তনা সাইকুল কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকীনা খারোমদা, সাইকুলদগী কিলোমিটর ১১ লাপ্পা মফম অমদসু নুরাথেল কৌবা লম অমা লৈ। মফম অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৪ লাপ্পী। মসিনা তাকপদি মতম অমদা হায়রিবা মফমশিংসি লাই নুরা তরেৎমক্লা হেক-হেক শাফোঙখিবা মফম ওইবনা থোনখিব্রা হায়বসি নৈনবা য়াই। অমরোমদা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা থাজনবী অমা ওইনা হেলোইনা চেনবা হায়বা অমসু তানরি। মতম অমদদি মসি অদুম থোক্লে হায়বগী খুদম লৈ। হেলোইনা চেনখ্রবদি মোইবুং খোংলগা থি হায়নরিবনি। অসুম্না নুরা ওইবীগী শুম্মৎয়াই শক্তম থোকখিবা মফম ওইখিদুনা অদুম থোনখিব্রা হায়বসিসু নৈনবা য়াই।

ঐখোয়গী মতমগী মীরোল অসি ফাওবদি কংলৈরোলদা ইরগা ফোঙবা লাইরিক কয়াদি থেংনৈ অদুবু মমাঙগী মীরোলশিংদুনা অনৌবা মণিপুরী লোলদা খরবুদি হন্দোক্লম্মী হায়ববু হন্দোক্লমদবা লাইরিক কয়াসু লৈরি। অরিবা লোনগৈ খঙবা অয়াম্বা অইবশিংদি নোঙ্গাখ্রে। অসুম্না অনৌবা লোলদা হন্দোক্লমদবা কংলৈরোলগী অরিবা লোল অদুনা করিনো ফোঙদোক্লিবদো খঙবা ঙম্নরক্রে। অসুম ওইরবদি ঐখোয়গী ইচা-ইশু কয়ানা করম্না অরিবা লাইরিকশিংসি



ওম্বা চীংখোঙদা পাঙথোকখিবা আর্ট কেম্পতা বুধিমন্তনা য়েকখিবা লোক্তাককী শক্তম অমা

নৈনবা ঙমগদৌরিবনো খন্থরুবদা নুংঙাইতবা ফাওজৈ।

তাকমু পাৎ মপালগী নুরাথেল চঙবদা ফাওরিবা হনুবী চীংগী মখারোমদা য়াওসুরাকপা খৌদেমচীং, নানবা চীং, কৈবুল চীং মথং মথং লৈ। য়াওসুরাকপা খৌদেমচীং করম্না কৌখিবগে হায়বগী মতাংদা চিনবুং ৱারী ওইনা চহী ৮০ হেল্লবা অহল অমনা 'খৌদেম চীং' কৌখিবগী ৱারী অমসু লীবিরকই। মতম অমদদি হায়রিবা চীং মচাশিংসি অসুকপা উমং ওইরিঙৈ, মতম মতমগী পায়রকপা পোম্বী চেক্লা মখল কয়াগী য়ারেকফম্নি। মহুম শাফম্নি, তশেংবদি মফম অসিদা মীনসু কয়া চঙবীদবা মফমগা ওইবনে, শাদানবা কয়ানসু চঙনদবা মফম ওই। উচেক ৱায়া কয়ানা মহুম শাদুনা কুমগী অনৌবা চারোন শুরোন পুথোকচীং, ইচিক চিকপা মীৱা-মীখোল তাদবা চীং, চীং অসিদা নোংমা য়াওসুরাকপনা মফমদুদা চৎপদা খৌদেম্লুবদা, খৌদেমখোলদু তাবদা মখল শুনা লৈরিবা পোম্বী চেক্লাশিংদুনা অকি অখং ওইদুনা মীপাইজদুনা অকি খোঞ্জেলদা খোংদুনা পোম্বী চেক্লা কয়ানা ফদ্রং-ফদ্রং খংপাই পাইথোরকখি। অসুম্না চীং অসিবু য়াওসুরাকপা খৌদেম চীং কৌখিদো।

ৱারেং অসি ইজরিবা ঐহাক্কী শিনফমদি লাই য়েকপনি। হৌখিবা চহী ২০২৩গী জন্যুৱারী ১৪দা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মনাক্তা লৈবা ঈ এন এম ক্রাফটেরিয়া কৌবা লাইয়েকপগী মচাক-মথুম য়োনফম দুকান অদুনা শিন্দুনা হায়রিবা 'ওম্বা এন্দ নুরাথেল গার্দেন' অসিদা নোংমগী ওইবা আর্ট কেম্প অমা পাঙথোকখি। মদুদা ঐসু সিনিয়র আর্টিষ্ট অমা ওইনা শরুক য়াবা ফংজখি। অপেনবা থৌরম অমা ওইখি। পূন্না শরুক য়াম্নিন্নখিবা অতৈ আর্টিষ্টশিংদি অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মা, রোবিন্দ্রো থৌনাওজম, বি বিশম্ভোর শর্ম্মা, নোংপোকহেনবা সাইখোম, মনিঙৌ মাইবম, শন্তোশ য়েন, বিনোয় ওইনাম, বিপিন লাইশ্রম অসিনচিংবনি। তাকমু পাৎকী মনীংলোমদগী অকনবা মালং নুংশিৎনা হুল্লকপদা ঐখোয়না য়েক্লিবা লাই অদু হুমদোকখিদনবা খূৎনা ফারগা ওন্থোক্লা ৱানা য়েক্লুখি। ওম্বা চীংগী অৱাং থংবা চীংখোঙদা য়েকপা ওইবনা অৱাংথংবদা উবা ভিয়ুনা অয়াম্বনি য়েক্লুরিবা। ঐগী ওইনদি মফম অদুদগী অৱাংদা উরিবা সেন্দ্রাগী চীং মচাদু য়াওবা লাই ওইনা য়েকখি। তশেংনা নুমিৎতুগী আর্ট কেম্পতু য়াম্না নুংঙাইবা থৌরম অমা ওইখি। লোক্তাক লাইরেম্বী ইমানা ঐখোয়বু ইমাগী মতম্বাক্তা পন্বীগে লাউ কৌরকপগা পাঞ্জকনি। লোক্তাক ইমাসু পেনবীরমগদবা মাল্লি ঐখোয়না শাবা তুরিগী জগোয়শিংদু উবদা। ● *(মখা চথজরকখিগনি)*

# পারী

– গুরুময়ূম নির্মল –

"পারী" কুমজা ১৯৯৯-২০০০দা চিলদ্রেন্স ফিল্ম সোসাইটি, মুম্বাইনা পুথোকপা ৩৫ এম এম মণিপুরগী অহানবা অঙাংশিংগী ফিল্মনি। মণিপুরগী পাউচেশিংদা চহী ৫গী মথক, ১৪গী মখাগী অঙাং ওইরিবা আর্টিষ্টশিং কৌখি। অঙাং ১০০ হেন্না লাকখি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা অঙাংশিংগী ইন্টরভিয়ু লৌই। খন্দোক্লবা হোৎনবদা ওন্থোক্লা অৱাবা অমা ওইখি। উচিন নাচিন্না অঙাং ৩০ মুক খল্লগা থা অমা চঙনা জগোয়, ঈশৈ, দ্রামা ৱাঙ্খ্রেদা লৈবা পেরেদাইজ থিএটরদা লৌরেম্বম কিশোরজিৎ অমসুং জগোয়গী ওজা (অবো) পুখ্রম্বম ধনজিৎকী লমজিং মখাদা তম্বীখি। অতৈ আর্টিষ্টশিংদি পেরদাইজ থিএটরগীনি।

ঐগী ইয়াম্বগী মচানুপা অসুতোস, কৈশামথোং ইমোতোম্বনা, পারী (সঙাই মচা) শারিবা সুরচন্দ্রগী মমান্নবা শাখি। অরিবম য়োহেনবা ধ্রুবসু চাইল্ড আর্টিষ্ট ওইনা শরু কয়াখি। ব্রজবিধুনা সনাথোইগী মপা, মিনাকুমারীনা মমা শাখি। খুরাইদগী সলাম বিরেন সনাথোইগী মথৌগী শক্তম লাংখি।

য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফমদি বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ৱাংজিং, লাংমৈদোং, হৈঙাং, অহল্লুপনচিংবা মফমদগী অয়ূক পুং ৬তগী ৮ ফাওবা তৌখিবা ট্রেনিংদুদা থৱায় য়াওনা অঙাংশিংগী মমা মপাশিংনা মচাশিং অদু মতম চানা থিল্লকখিবা অদুনি। অহানবদা বেলে অমা ফিল্ম নম্মী। লোক্তাক পাৎকী কায়থরকপা শক্লোন, দাম শাজিল্লকপা, মতম পূম্বদা ফুমদিনা ঈশিংদা তাওদুনা লৈরকপনা কৈবুল লমজাওদা সঙাইগী লৈফম ফুমদি পাথরকপা, সঙাইগী অরুম্বা ফুমদিনা পুবা ঙল্লক্তবা, শাদানবশিংনা কৈবুল লমজাও মৈ থারকপা, সঙাই মপী-মচা কায়নরকপা, শা-উচেক ৱায়া চাক্তাফম লৈরক্তবা অসিনচিংবগী হীরমদা অঙাংশিংতনা শানবা বেলেনি।

পেরদাইজ থিএটরগী আর্টিষ্টশিংনা কন্না হোৎনদুনা ইস্কোনগী মান্দবতা বেলে নম্নবা ষ্টেজ শাখি। ঙাঙোম ইবোপিশককী ফজখ্রবা ম্যুজিক কম্পোজিশনদা শানবা দান্স দ্রামা অদু ফিল্ম নমখি। অঙাং খুদিংমক মতিং থোক্লা চোকথবা লৈতনা জগোয় শাখি। মফম অসিদা মখোয় খুদিংমক্কী মমিং পঞ্জদ্রে। অদুবু মখোয় খুদিংমক ফিল্ম অসিগী য়াংলেন শরুদনি।

বেলেগী শরুক নম্বা লোইরবা মতুংদা ইবাইগী হকচাং ঙম্লক্তবদগী ঐগা লোয়ননা দেল্লীগী এপোলো হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎলি। লায়েংলিঙৈ মনুং নুমিদাং তূম্লমদাই খুদিংগী ইবাইগা ঐগা ৱা তান্নে, খন্নে। ঐসু ঐনা পামজবা ৱারী পরিং ইবাইদা লীদুনা তাহল্লি। ইবাইনসু ঐগী সজেশন কয়া ফিল্মদা য়াওহনবীখি, ঐ কয়াদা হরাওজখি। ইম্ফালদা থোক্লক্লে, ৱারীগী মপূং ওইবা ফিল্ম মখা নম্লে।

শন্নপ্পা ৱারীদি :- সনাথোই (আর কে সুরচন্দ্র), ইবোয়াইমা (লৌরেম্বম কিশোরজিৎ), সনাথোইগী মপু (সলাম বিরেন), বেলে দ্রামাদা সঙই মচা পারীগী শক্তম লাংলুরবা মতুং সনাথোই মশাবু সঙাই মচা অদুনি হায়না খন্দুনতা লৈরে। নোংমা বেলেদুদা য়াওরুবা অঙাং ময়াম কৈবুল লমজাওদা কোইবা চৎলি। কৈবুল লমজাও য়েংনা য়েংনা সনাথোইগী মমিৎতা সঙাই নিংথৌ উরকই। সঙাই নিংথৌগী মতুং ইন্দুনা চেনখি। অসোমদনা অঙাং ময়াম যূম হনগদবগী বস তোংখৎনরকপদা সনাথোই য়াওরমদ্রে হায়দুনা ময়াম চঙদুনা কোইথিথিনরে। অদুবু মহাক ফুমদিদা ৱাখল মাঙলগা তাদুনা লৈরম্মী। মাবু লৌখৎলুরগা ময়ামদো ময়ূম মায়কৈ পাংলকখি।

ঐনা কাউবা ঙম্লরোইদবা থৌদোক অমদি, ঐনা কোলকটাদগী ভুবনেশ্বর ট্রেনদা চৎপদা নেগেটিভ রিল মরি য়াওবা ঐগী সুইটকেস নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা ভুবনেশ্বর য়ৌরমদাইদা ঐনা ট্রেনদা ফম্না ফম্না উইবগী তাঞ্জা লৌদুনা হুরানখি। সুইটকেসতুদা ঐগী ফিরোল খরা, নেগেটিভ রিল ৪, ঐগী পাসপোর্ট প্রসাদ ফিল্ম লেবকী একাউন্ট পে চ্যেক মনা অমা অমসুং শেল খরা য়াওখ্রে। ফুরিৎখাওদা লুপা লিশীংমুক্তি য়াওরম্মী। অচেনবা ট্রেনদুদা রেলৱে পুলিসতা এফ আই আর তৌরে। ভুবনেশ্বর য়ৌরে। প্রসাদ ফিল্ম লেবতা চৎলে। মেনেজর রামচন্দ্রনদা পাউদু তম্লে, মঙোন্দগী লুপা লিশীং ৫ লৌরগা নোংঙানবগা ট্রেন অমুক তোংদুনা কোলকটাদা হল্লকখি।

মাঙখ্রিবা নেগেটিভতু ইবেম্মা জগোয় শাবী অমনা সঙাই নিংথৌ শারগা কৈবুল লমজাওদা চংখিবা অরোইবা ফিল্মগী সিনদুনি। ইবাইনা হায়, 'ঈশ্বরমক্লা ঐবু খূৎ ফাদুনা খাম্বগুম..., ঐবু অমুক হন্না অরোইবা সিন ফিল্ম নম্মু তমখিবনি" জগোয় শাবা ইবুংঙো অমবু সঙাই নিংথৌ শাহন্দুনা অনীরক শুবা ফিল্ম নমখি। অমুক হন্না ঐ ভুবনেশ্বরদা ফিল্ম চাম্বা চৎলি। হন্দক্তি ইম্ফালদগী ভুবনেশ্বর তান্না এরোপ্লেনদা চৎখি। ফিল্ম অদু পুরগা কোলকটাদা হল্লক্লগা উজ্জলদা অমুক এদিট তৌরগা রি-রেকোর্দিং তৌরে। ফাইনেল প্রিন্টকীদমক মদ্রাজ (চেন্নাই) দা চৎলে। ফাইনেল প্রিন্ট পুরগা মুম্বাইদা লাক্লগা ফিল্ম সেন্সর তৌরবা মতুংদা চিলদ্রেন্স ফিল্ম সোসাইটিদা প্রিন্ট পীরম্লগা ইম্ফাল থাদোক্লকখি। চহীদুদা হায়দরবাদতা পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা ঐনা সুরচন্দ্র পুরগা চৎখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।